**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 17-05-2025)**

**রাজনাথঃ** কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ওপরেসন সিন্ধুর হৌজিক লোয়দ্রি। মহাকা হায়-ভারতনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা চংশিল্লিবা লাল অসি সেক্যুরিতি খক্কী নত্তে। মসিদি হৌজিক নেসনেল দিফেন্স দোকত্রিনগী শরুক অমা ওইরে।

গুজরাটতা লৈবা ভুজ ইয়ার ফোর্স ষ্টেসনদা ইয়ার ৱারিয়রশিংদা ৱা ঙাংবদা ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়-ভারতনা হাইব্রিদ অমসুং প্রোক্সি ৱার ফয়ার পুংমুৎ মুথৎকনি। ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক চৎনরিবা নোংমৈ কাপবা লেপ্পগী থৌরাং অসিনা তাকপদি ভারতনা পাকিস্তানগী থবক থৌওংশিং মতম খরগী ওইনা য়েংদুনা থমবনি।

পাকিস্তাননা তেরর ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপগী থবক চত্থবা হৌরে। মরম অদুনা ইন্টরনেসনেল মোনিটরি ফন্দনা পাকিস্তানদা শেন্থং পীথরিবা অদু নৌহৌননা য়েংশিন্নবা শা রাজনাথনা হায়রি। মদুগী মমাংদা, রাজনাথনা স্মৃতিভান ম্যুজিয়মদা চৎতুনা ইং ২০০১ দা ভুজতা থোকখিবা য়ুহার হাবদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

**দ্রিল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল, তমেংলোং অমসুং কাংপোকপীনা শিনদুনা ওপরেসন অভিয়াসকী মখাদা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল ঙসি জিলাশিং অসিদা পাঙথোক্কনি।

থৌবাল জিলাগী ওইনা ঙসি চাউয়াইমা হয়ার সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা মোগ দ্রিল অসিগী মতাংদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হনা কামৈনা হায়-লৈবাক অসিদা লাল থোরকপা মতমদা মীয়ামনা মাংজোননা করি করি চেকশিন থৌরাং লৌগনি হায়বদু খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মোগ

দ্রিল অসিদা মীয়ামনা মীপায়বা পোকপীগনু। মোগ দ্রিল অসি মায় পাকা পাঙথোকবা হোৎনবদা মীয়ামনা মতেং পাংবিয়ু।

তমেংলোংদস্ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা জিলা অসিগী এক্লাভিয়া মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুলদা ওপরেসন অভিয়াসকী মখাদা দিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল পাঙথোক্কনি।

কাংপোকপীদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা মোগ দ্রিল ঙসি জিলা অসিগী এলিদ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ব্রিগেদিয়ার এম. থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। থৌরমশিং অসিদা মরুওইবা বিভাগশিং শরুক য়াগনি। থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা মীয়ামনা মীপায়বীদনবা অমদি মতেং পাংবীনবা মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা আপিল তৌরক্লি।

**খুৎলায় (এল)ঃ** মনিপুর পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৮ ফাখি।

মনিপ্র পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়োরবুং ৱার্ড নম্বর টু স্কুল লৈরক্তগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অনি ফাবা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাংখৈ অয়াংপলিদগী প্রিপাক (প্রো) গী হকচিনবা মীওই অমা ফাবা ঙমখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লংথাবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকাইদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাবা ঙমখি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতনা চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোংদগী চিন-কুকি নেসনেল দিফেন্স ফোর্সকী মীওই অমা ফাবা ঙমখি। মহাক খুৎলায় পুথোক পুশিন তৌবদসু চেন্নবা মীওইনি হায়রি। নুমিৎ অসিমক্তদা থৌবাল জিলাগী সঙ্গাইয়ুম্ফম চেরাপুর ময়াই

লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ. (পি) গী মীওই অমা ফাবা ঙমখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী মখা লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াংলাংজিংদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাবা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অসিদগী তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়ামরুম ফংলে হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নুংজেংবী উরুপ চিংদগী মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা মেগজিন অহুমগা লোয়ননা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, কন্ট্রিমেট পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরুশিং, ট্যুব লোঞ্চিং তরুক, ৱয়ারলেস সেট অনি অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী খরুংপাৎ বাফেলো ফার্ম ময়াদগী করবাইন অমা, বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল রাইফল মরি, রিভোলবর অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, মোটার সেল অমা, ট্যুব লোঞ্চিং মরি, হেন্দ সেট অমা অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

সেনাপতি জিলাগী তাইলেনজাং খুলদগী বোর এক্সন সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, পোইন্ট টু-টু বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, মেগজিনগা লোয়ননা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরুশিং ফাগৎপা ঙমখি।

**সাফঃ** ভারত, সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) অন্দর নাইন্তিন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেল চংলে। ফাইনেলদা বঙ্গলাদেসকা হয়েং থেংনরগনি।

অরুনাচল প্রদেসকী য়ুপিয়াদা লৈবা গোল্ডন জুব্লি আউটদোর ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ভারতনা মোলদ্বিপপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

ভারতকী পাঞ্জলশিং অদু-দেনি মীতৈ, ওমাং দোদুং অমসুং প্রসান্ত জাজোনা চনখিবনি। ভারতকী টিম অসিদা মনিপুরগী শান্নরোই ৭ শরুক য়ারি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন বঙ্গলাদেসনা নেপালবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংল্লকখিবনি।

**ভিদিএফ (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম) ডা: ময়েংবম ভেটো সিংহনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি-মীচম মীয়াম ঙাক শেন্নবা মনিপুর পুলিসনা লৌরিবা থৌদাংশিংদা ভি.দি.এফ. পার্সোনেলশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌরিবা অসি রাজ্য সরকারনা খঙই।

চেরোল অদুনা হায়-ভি.দি.এফকী সার্ভিসকী মতাংদা য়ান্নখিবগী মতুং ইন্না ভি.দি.এফশিংবু চহি অমগী ওইনা এগেষ্ট তৌবনি। মসি দরকার অমসুং মতমগী মতুং ইন্না শাংদোকপনি। থা অসিগী ১৫ দা ফমখিবা গভনর ইন-কাউন্সিলগী মীফমনা হৌজিক লৈরিবা ভি.দি.এফশিং অসি লিশিং ১০,৫০০ রোম অসিগী থবক চহি অসিগী এপ্রিল অমদগী মথং চহিগী মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোকপদা অয়াবা পীখ্রবনি।

**হায় কোর্ট (এল)ঃ** মনিপুর হায় কোর্টনা শিনদুনা ইবুধৌ মারজিং চিংদা নোংমগী ওইবা 'হাইকিং এক্সপিদিসন' অমা ঙসি পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা মনিপুর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস-জষ্টিস দি. কৃষ্ণকুমার, জজশিং শরুক য়াগনি হায়রি।

**হৈরোক(এল)ঃ** হৈরোক অপুনবা ক্লব শাফোংখিবা চহি অনি মখায় ফারকপগী কুমওন থৌরম ঙরাং হৈরোক পার্ট টু বজার উমং লাইকোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম.এল.এশিং-টি.ঐচ. রাধেশ্যাম, ৱাই. রাধ্যোম অমসুং সৈখ নরুন হসন শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হন্দক পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব পরিক্ষা মার্ক ৱাংনা ফংখিবা মহৈরোইশিং, জাতি অমদি

অন্টরজাতিগী থাক্তা মিংচৎ পুরক্লবা শান্নরোই, পি.ঐচ.দি. ফংলবা মহৈরোইশিং অমদি মেদিকেল তন্লিবা মহৈরোইশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-ওপরেসন সিন্ধুর হায়বসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী রাজনিতিগী অখন্নবা খুদম অমনি। মহাকা হায়-ভারতনা মসিগী আর্মর্দ ফোর্সেস অহুম, বোর্ডর সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

ছাতিসগর, তেলঙ্গানা ঙমখৈ পরিংদা সি.আর.পি.এফনা চথখিবা ঐতিহাসিক ওইরবা নক্সলাইটশিংগী ওপরেসন অদুদা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পুন্না থবক তৌমীন্নবগী হৈ-শিংবা অদু উৎথোকপা ঙমখি। মসিমক ওপরেসন সিন্ধুরদা উবা ঙমখি।

অমরোমদা, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি গুজরাটকী গান্ধিনগরদা লুপা কোতি ৭০৮ রোমগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি, খরগীনা যাত্রা হুনগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কুকি এম.এল.এ, সি.এস.ও. অমদি সু গ্রুপশিং পুন্না মীফম পাঙথোক্তুনা সু গ্রুপশিংগা ৱারী শান্নদ্রিবা ফাওবা লৈঙাক্কা শমদনবা লেপখিবা, ভি.দি.এফশিংনা মখোয়গী তোঙান তোঙানবা দাবীশিংগী মতাংদা লৈঙাকা চপ চাবা ফিরেপ খঙহনদ্রিবা ফাওবা খোঙজং লেপখিরোই হায়না ফোংদোরকপা অমসুং জিলাশিংদা ওপরেসন অভিয়াসকী মখাদা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল পাঙথোকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুর ফয়ার সার্ভিসকী অনৌবা ইক্যুপমেন্ট লোঞ্চ তৌখ্রে, শিরুই ফেষ্টিবেল য়াওবা চৎপদা মীয়ামনা মীপায়নিংঙাই ওইদে, মশিং য়াম্লবা সেক্যুরিতি

ফোর্সনা ঙাক শেনবগী থবক চথ্থরি হায়না চীফ সেক্রেটরি-প্রসান্ত কুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা পাকিস্তানগা শোকবা লালদা বি.এস.এফ. কন্সটেবল-চিংঙাখম দিপক লৈখিদ্রবা মতুংদা ঝরখন্দদা য়ু.জিশিংগী মথক্তা ওপরেসন চথ্থরিঙৈদা বজ্র তারকপদগী সি.আর.পি.এগী টু-আই.সি. প্রবো লৈখিদ্রে হায়বসিনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

অথুবদা ষ্টেট অসিদা পোপুলর গভরমেন্ট অমা শোয়দনা লাক্লগনি হায়না এম.এল.এ. ৱাই. রাধেশ্যামনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পোকফমগী এঙ্কর কমলদা ফোংলি।

জষ্টিস-কে. সোমাসেখরবু মনিপুর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইনা খন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা রিকমেন্দ তৌখ্রে হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ষ্টেটকী ইকোনোমি ফগৎহন্নবা চীফ সেক্রেটরিনা ৮২ শুবা ষ্টেট লেবেল বেঙ্করস কমিতি মীফমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম মোরনিং বেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ভি.দি.এফশিংগী সার্ভিস চহি অমা শাংদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাই ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-হোং-কোং অমসু সিঙ্গাপুরদা কোবিদ লায়চৎকী অনৌবা ৱেব পাক্তকনা শন্দোরক্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন পীরি।

সঙাই এক্সপ্রে মনিপুরদা- পি.আর. থা অহুম হায়না এদিটোরিয়েল কলমদা ফোংলি।

স্মার্ট মোস্কুইতো ট্রেপ জনজর এম.পি. সনাজাওবনা লোঞ্চ তৌখে হায়বা পাউনা সনা লৈবাক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তমেংলোংদা নাগা প্লেবিসাইদ ডে পাঙথোকখিবগী পাউ গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইনদা তৌরি।